# লাইন ওফ কন্ট্রোল পরীংগী ঙমখৈদা লোন্না চঙশিন্নবা হোৎনরকপা খুদিংমক থিংগনি ঃ *নির্মলা সিতারমন*



***বেঙ্গলুরু, আগষ্ট ৫ ঃ***

ঙমখৈ ৱাংমদগী জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী লাইন ওফ কন্ট্রোল পরীংদা লোন্না চঙশিন্নবা হোৎনরকপা খুদিংমক থিংগনি হায়না ঙরাং দিফেন্স মিনিষ্টর নির্মলা সিতারমননা অচেৎপা ৱাফম ফোঙদোকখ্রে।

ঐনা লোন্না চঙশিল্লকপা থিংনবা ঐখোয়গী ঙমখৈ য়েংশিন্নবা দিফেন্স মিনিষ্টর ওইনা মফমসিদা লাকপনি। পাকিস্টানদা করি থোক্লি হায়বদু ঐনা খঙই। ঐখোয়গী ফিরেপ হান্নদগী লেংদনা লৈ। লোন্না চঙশিন্নবা হোৎনরকপা খুদিংমক থিংগনি হায়না বেঙ্গলুরুদা পাঙথোকপা প্রেস কনফরেন্স অমদা দিফেন্স মিনিষ্টরনা হায়খি।

পাকিস্টানগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইনা থবক পায়গদৌরবা ইম্রান খানগী পাকিস্টানি টেহরীক-ই-ইনশাফ (পি টি আই) না হন্দক পাঙথোকখিবা মীখলদা খ্বাইদগী মশীং য়াম্না ফংখিবা অমত্তা ঙাইরবা পার্টি ওইখিবা মীখল অদুগী মতুংদা মিলিটেন্টশিংনা ইন্দিয়াদা লোন্না ঙমখৈ লানশিন্নবা হোৎনরকখিবশিংগী মতাংদা হংলকপা ৱাহং অমগী মতাংদা নির্মলা সিতারমননা পাউখুম পীখি।

মতম খরগী মমাঙদা দোকলামদা ইন্দিয়াগা চিনাগা মুক্নদুনা লৈখিবা অদুগী মতাংদা য়ু এস কংগ্রেস নুপী মেম্বর অমনা মফম অদুদা চিনানা ইংনা-চিক্না থবক অমুক হৌখ্রে হায়বা মেদিয়া রিপোর্ট অমা পল্লদুনা পার্লিয়ামেন্টতা রাহুল গান্ধীনা চিনাগী থৌওং অদুদা ভুটান নৎত্রগা ইন্দিয়ানা করিমত্তা তৌদনা তুমিন্না লৈশিল্লি হায়খিবনি অদুবু রাহুল গান্ধীগী ৱাফম অদু গভর্ণমেন্টনা য়াদে হায়না দিফেন্স মিনিষ্টর অসিনা হায়খি।

ইন্দিয়ান এয়ারফোর্সকীদমক রসিয়াদগী ট্রিমফ এয়ার দিফেন্স মিসাইল সিষ্টেম এস-৪০০ লৈনবা হোৎনরিবা অদুগী খ্বাইদগী নৌবা পাউ করি লৈবগে হংলকখিবদা মদু ন্যু দিল্লিদা সেপ্টেম্বর ৬ তা ইন্দিয়া অমসুং য়ু এস কগী মরক্তা ৱারী শান্নগদৌরিবা অদুনা মরম ওইরগা হৌজিক থবক লৌখত্তনা লৈ হায়না মহাক্না হায়খি।

মহৌশানা বেঙ্গলুরুদা পাঙথোক্লককপা এরো ইন্দিয়া শোগী মফম লক্ষনৌদা হোংগদৌরিব্রা হায়বগী মতাংদা মহাক্না অদুগুম্বা ৱাফম অমত্তা মাগী মিনিষ্ট্রিনা লাওথোকপা লৈতে হায়খি।

তোঙান তোঙানবা মফমদা লৈরিবা মীয়ান্না মখোয়গী লমদম অদুদা এরো ইন্দিয়া শো অদু পাঙথোকহন্নবা হায়রকখিবা লৈ। অদুবু হৌজিক ফাওবদা মদুগী মতাংদা ৱারোল অমত্তা ঐখোয়না লাওথোকখিদ্রি। মদু থুনমক লাওথোক্লগনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

এরো শো অদুদা শরুক য়াগদৌরিবশিংনা পাঙথোক্কদৌরিবা মফম অদুদা মতম চানা থুংবা ঙম্নবগীদমক খন্নবা য়াবা মতমগী মনুংদা এরোশিং অদুগী ৱাফম লাওথোক্কনি হায়না মহাক্না হায়খি।

হিন্দুস্তান এরোনোটিকেল লিমিটেদ অসি রাফেল এয়ারক্রাফ্ট দিলনা মরম ওইদুনা খুদোংচাবা মাঙগদৌরব্রা হায়না হংলকখিবা ৱাহং অমগী মতাংদদি দিফেন্স মিনিষ্টর সিতারামননা হৌজিক পার্লিয়ামেন্টকী মীফম চথরি হায়রদুনা পাউখুম পীয়ু য়াখিদে।

# পাকিস্টাননা য়ু কে, য়ু এ ই দা লন-থুমশিং মপু ওইবা পাকিস্টানি ১,৫০০ দা নোটিশ তৌখ্রে

***ইস্লামাবাদ, আগষ্ট ৫ ঃ***

টেক্সেসন অমসুং মনি লোন্দরিংগা মরী লৈনবা ক্রাইমশিং থিজিল্লিবা পাকিস্টানগী মকোক থোংবা গভর্ণমেন্ট বোর্দিনা য়ু কে অমসুং দুবাইদা মরন-মথুমশিং লৈশিল্লিবা পাকিস্টানি ১,৫০০ রোমদা হয়েংদগী হৌনা শো কোজ নোটিশশিং পীরগনি হায়না ঙসি মেদিয়া রিপোর্ট অমনা হায়রি।



মকোক থোংবা টেক্স ওফিসিয়েলশিংগী ৱাফম পল্লদুনা পাকিস্টানগী নুংতিগী ফোঙবা পাউচে 'দোন' না ফেদরেল বোর্দ ওফ রিভিন্যু (এফ বি আর) না তাঙ্কক অনী থোক্না শো কোজ নোটিশশিং অদু থোক্কনি হায়রি।

অহানবা তাঙ্কক্তা য়ুনাইটেদ কিংদমদা মরন-মথুমশিং পৈশিল্লিবা অমসুং চাং নাইনা ভারা ফংলিবা পাকিস্টানি ১,০০০ রোমদা নোটিশশিং থোক্কনি। এফ বি আর না হায়রিবা নোটিশশিং অদু মসিগী হেদক্বার্টরসতগী থাখিগনি হায়না ওফিসিয়েল অমগী ৱাফম পল্লদুনা পাউচে অদুনা হায়খি।

অনীশুবা তাঙ্কক্তা য়ুনাইটেদ আরব ইমিরেটসকী দুবাইদা মরন-মথুমশিং পৈশিনবা অতোপ্পা পাকিস্টানি ৫০০ দা নোটিশশিং থাগনি। অহানবা তাঙ্কক্কী নোটিশ থাবা লোইশিল্লবা মতুং থুনমক অকোনবগী নোটিশশিং অসি থাগনি হায়না ওফিসিয়েল অদুনা মখা তাখি।

টেক্সেসন বোর্দিশিংনা হায়রিবা মীওইশিং অদুনা পাকিস্টানদা মখোয়গী মরন-মথুম লাওথোকপ্রা নৎত্রগা লাওথোক্তব্রা হায়বদু লেপ্পদা নোটিশশিং অদুনা মতেং ওইগনি হায়না এফ বি আর ওফিসিয়েলশিং অদুনা থাজরি।

প্রাইম মিনিষ্টর ওইগদবগী ঙাইদুনা লৈরবা ইম্রান খানগী পার্টি পি টি আই গী লুচিংবা অমসুং ফাইনান্স মিনিষ্টর ওইরকপা য়াবগী ফিভম লৈরিবা নেস্নেল এসেমব্লিগী মেম্বর-ইলেক্ট অসাদ উমরনা মহাক্কী গভর্ণমেন্টনা মীরৈবাক্তা লৈবা মখোয়গী মরন-মথুমশিং লাওথোক্তবা পাকিস্টানিশিং পূন্নমক অদুগী মথক্তা অকনবা থবক চথগনি হায়খি।

পাকিস্টাননা ওর্গনাইজেসন ওফ ইকোনোমিক কোওপরেসন এন্দ দিভলপমেন্ট মল্টিলেটরেল কনভেন্সনদা সহি তৌবা লৈবাক অমসু ওইখ্রে। হায়রিবা কনভেন্সন অসিনা মথং থাদগী পাকিস্টানি রেসিদেন্টশিংগী একাউন্টশিংগী মরমদা ঈ-পাউ ফংহনবা হৌরগনি। মসিনা কনভেন্সনদা সহি তৌবা লৈবাকশিংদা লৈবা পাকিস্টানশিংগী ওফশোর ফানান্সিয়েল একাউন্টশিং খঙনবা এফ বি আর গী কেপাসিটি হেনগৎহল্লগনি হায়না পাউচে অদুনা হায়খি।

এফ বি আর গী মতুং ইন্না পাকিস্টানি মীওই ৮২,৮৪৮ না টেক্স এমনেষ্টি স্কিমগী খুদোংচাবা লৌখি অমসুং মখোয়না লুপা ট্রিলিয়ন ২.৫ কী শেনফমগী এসেটস আইননা য়াদবা মওংদা লেপশিনখিবা অদু আইননা য়াবা ওন্থোকখি।

থা অনীগী এমনেষ্টি স্কিম অদুদা এফ বি আর না টেক্স ওইনা লুপা বিল্লিয়ন ১২১ ফংখি। মসিগী মনুংদা ফোরেন এসেটসতগী ফংবা লুপা বিল্লিয়ন ৪৪ নি হায়রি।

# য়ু এস সেঙ্কসন তৌরক্ত্রিঙৈদা ইরান্না প্লেন ৫ লৈশিনখ্রে

***তেহরান, আগষ্ট ৫ ঃ***

কুমজা ২০১৫ ন্যুক্লিয়ার দ্রিলগী মখাদা চৎনহনখিদ্রবা সেঙ্কসনশিং অদু য়ু এস না অমুক হন্না থমজিল্লক্ত্রিঙৈগী নোংমগী মাঙওইননা ইরাননা অনৌবা প্লেন ৫ লৈশিনখ্রে।

প্লেনশিং অদু ফ্রেঞ্চ-ইতালিয়ান মেনুফেকচররদগী এ টি আর ৭২-৬০০ কৌবা প্লেনশিংনি। অসিগুম্বা প্লেন ২০ লৈনবা এপ্রিল ২০১৭ দা ওর্দর তৌখিবনি। হৌজিক ফাওবদা ইরাননা অকোনবা ফংলিবা ৫ অসি থারগা পূন্না প্লেন ১৩ ফংখ্রে। ৱার্ল্ড পৱারশিংনা তৌনবা ন্যুক্লিয়ার দিলনা ইরানবু প্লেনশিং লৈবা য়াহল্লম্বনি।

# নুপীমচাশিংগীদমক লিংখৎপা হোমদা রেপ অমসুং ওৎ নৈবা চথখিবগী ওদিট রিপোর্টতা থবক লৌখৎতবগীদমক এসিষ্টেন্ট দাইরেক্তর ৬ সস্পেন তৌখ্রে

***পাট্না, আগষ্ট ৫ ঃ***

বিহারগী মুজাফরপুরদা গভর্ণমেন্টনা শেনগী তেংবাঙ পীদুনা লিংখৎপা নুপীমচাশিংগী সেল্টর হোম অমদা লৈবা নুপীমচাশিংবু রেপ তৌখিবা অমসুং ওৎ-নৈখিবগী ৱাথোক অদু মুজাফরপুর সেক্স স্কেন্দল কেসকী মতাংদা খ্বাইদগী নৌবা খোঙথাং অমা ওইনা ষ্টেট অসিগী সোসিয়েল ৱেফিয়ার দিপার্টমেন্টকী ওফিসিয়েল ৬ ঙসি নোংমাইজিং নুমিত্তা থবক্তগী সস্পেন তৌখ্রে। মখোয় মথৌ থৌশাদবগী লীচৎ-শাজৎ অদু খঙলকপদগী থবক্তগী সস্পেন তৌখিবনি।



থবক্তগী সস্পেন তৌখ্রবা ওফিসারশিং অদুদি মুজাফরপুর, মুঙ্গের, অরারিয়া, মধুবানি, ভগলপুর অমসুং ভোজপুর দিষ্ট্রিক্টশিংগী চাইল্দ প্রোটেক্সন য়ুনিটশিংগী এসিষ্টেন্ট দাইরেক্তরশিংনি। মখোয়গী সর্ভে তৌবগী মতাংদা ঙরাং নুমিদাং অথেংবদা নোটিফিকেসনশিং থোকখি।

থোকখি হায়রিবা সেক্স স্কেন্দল অদু ইন্দিপেন্দেন্ট এজেন্সি অমা ওইরিবা মুম্বাইদা লৈবা টাটা ইন্সটিট্যুট ওফ সোসিয়েল সাইন্সেসনা চথখিবা সোসিয়েল ওদিট অমদগী খঙলকখিবনি। ওদিট অদুনা অকি-তুজুংনিঙাই ওইরবা মওংদা নুপীমচাশিং অদুবু চিংথোক্লগা অমসুং রেপ তৌরগা ওৎ-নৈখিবগী থৌওং ফোঙদোক্লককখ্রবগী মতুংদা ষ্টেট সোসিয়েল ৱেফিয়ার দিপার্টমেন্টনা জুন থাদা এফ আই আর থাঙ্গৎখি অমসুং সেল্টর হোম অদুগী মপু ব্রজেশ ঠাকুর য়াওনা য়ামদ্রবদা চেন্নবা মীওই ১০ ফাখি।

সেল্টর হোম অদুদা নুপীমচা ৪০ দগী হেন্না লৈ অমসুং মেদিকেল একজামিনেসন রিপোর্টশিংনা মখোয় ৪০ গী মনুংদা তঙ্খাই অমা হেনববু করিগুম্বা মতম অমা নৎত্রগা অমদা রেপ তৌখি হায়বা তাকই।

বিহার গভর্ণমেন্টনা ৱাথোক অসিগী মতাংদা থিগৎনবা হায়জরকপদগী সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সি বি আই) না হীরম অসি থিগৎনবা লৌখৎখি। মুজাফরপুরদা লৈবা বালিকা গৃহ কৌবা নুপীমচাশিংগী সেল্টর হোম অদুগী ওফিসারশিং অমসুং এমপ্লোয়ীশিংগী মথক্তা ফোকসোগী সেক্সন ৪, ৬, ৮, ১০, ১২ অমসুং আই পি সি গী সেক্সন ১২০ (বি), ৩৭৬ অমসুং ৩৪ গী মখাদা কেস লৌখৎখি।

মুজাফরপুরদা নুপীমচাশিংগী সেল্টর হোম অদুদা চহী ৭ খক্তা ঙাইরিবী ফাওবা য়াওনা নুপীমচাশিংবু পোলিটিকেল লুচিংবশিংগা মরী লৈনবা হোম অসিগী মপু ব্রজেশ ঠাকুর অমসুং মসিগী ষ্টাফনা ফমুংদগী চিংথোক্লগা মফি থোংদনা নমফুদা তুমহনবা অমসুং রেপ তৌখি হায়না পুলিস চার্জ সীট অমদা হায়রি।

ওপোজিসনগী নাকলদগী অকনবা লান অমা চথরকপদগী বিহারগী চীফ মিনিষ্টর নিটিশ কুমারনা থৌদোক অদু তশেংনমক ইকায়নিংঙাই ওইবা অমনি হায়রদুনা চেন্নবশিংগী মথক্তা খ্বাইদগী কনবা থবক লৌখৎনবা অমসুং করিগুম্বা মওং অমত্তদা য়াশিন্নরোইদবা থবক লৌখৎকনি ৱাশকখি।

থোকখিবা থৌদোক অদু ঐখোয় পূন্নমকপু ইকায় ফিরুপ খুমহল্লে মদু পাপ অমনি। অসিগুম্বা থৌদোকশিং শোয়দনমক অমুক হন্না থোকহল্লোই। মসিদা চেন্নবশিং অদু পরা অমা তম্বীগনি হায়না চয়োল অসিগী ওল্লিঙৈদো নুপীমচাশিংগীদমক গভর্ণমেন্ট ৱেলফিয়ার স্কিম অমা হাংদোকপগী থৌরমদা মহাক্না হায়খি।

# য়ু কে গী খ্বাইদগী নহা ওইবী আই এস আই এস নুপী টেরোরিষ্ট প্লোট্টর পুন্সিচুপ্পগী জেলদা থাজিনখ্রে

***লন্দন, আগষ্ট ৫ ঃ***

চহী অসিগী ওল্লিঙৈদা য়ু কে টেরর এটেক অমা চথনবা থৌরাং তৌখিবগীদমক কনভিক্সন পীখ্রবা বৃটেনগী খ্বাইদগী নহা ওইরিবী ইস্লামিক ষ্টেট নুপী টেরোরিষ্ট প্লোট্টর পুন্সিগী ওইনা জেলদা থাজিনখ্রে।



মোরোক্কোদগী হৌরকপী সাফা বৌলার কৌবী মশাগী চহী ১৮ খক্তা ঙাইরিবী নুপী অসিনা আই এস আই এস মিলিটেন্টশিংদা য়াওরুনবা সিরিয়াদা চৎপা ফংখিদ্রবা তুংদা বৃটেনগী মশক থোক্লবা বিল্ডিংশিংদা এটেক চথনবা থৌরাং তৌবগীদমক কোর্টনা কনভিক্সন পীখিবনি। মহাকপু পেরোলদা থাদোক্লবগী খন্নদ্রিঙৈগী মমাঙদা জেলদা য়ামদ্রবদা চহী ১৩ গী মতম অমদি লৈরগনি।

অতেনবা স্কার্ট অমসুং নোংচুপ ফিরোন শেৎতুনা ইরাই নুমিত্তা মহাক্না কোর্টকী মমাঙদা থোক্লককখি। মদুদা মহাক ইস্লাম থাদোক্লে অমসুং এক্সট্রিমিষ্টশিংগী ৱাখল্লোনসু থাদোক্লে হায়খি অদুবু লন্দনগী ওল্দ বেল্লি কোর্ট অদুদা চৈরাক্কী মতম লেপ্পবগী অরোইবা হিয়ারিং মতমদা মহাক্না অনৌবা ওইনা ফোঙদোক্লিবা ৱাফম অদু জজ অদুনা লৌখিদে।

মশাগী চহী ২০ শুদ্রিবী নৌরিবী নুপীমচা অসিনা মাগী স্কুল একজামগীদমক থৌরাং তৌদুনা লৈরিঙৈদা ইংলেন্দগী কোভেন্ত্রিদগী হৌরকখিবা আই এস আই এস ফাইটর নাৱীদ হুসেননা মহাকপু শুমহৎখিবনি। হুসেন হায়রিবা মীওই অসি মঙোন্দগী চহী ১৫ হল্লি।

অসুন্না হুসেনগা নক্নবা মরী লৈনরকখিবদগী মহাক্না অরোনবা ৱাহৈ-ৱাতাদা ৱারী শান্নদুনা বৃটিশ ম্যুজিয়মদা তিল্লিবা মীয়ামদা এটেক তৌনবা থৌরাংশিং তৌখিবনি।

সাফা বৌলারনা মহাকপু আই এস আই এস তা য়াওহল্লকখিবা হুসেনবু লুহোংনবগীদমক সিরিয়াদা চৎনবা হোৎনখি অদুবু মদু পুলিসনা থিংদুনা থুগাইখি। হুসেন হায়রিবা মীওই অদুসু কোন্না দ্রোন এটেক অমদা শিখ্রে।

বৌলারনা মাগী মচে মমাগা ওইনা বৃটিশ ম্যুজিয়মদা সুইসাইদ বোম অমসুং গন এটেক অমা চথনবগী অরোনবা থৌরাং তৌখি।

য়ুনাইটেদ কিংদমদা থোকপা নুপী ঙাক্তগী টেরোরিষ্ট এটেক প্লোট অদুদা শরুক য়াবগীদমক নুপী অহুম্মক হৌজিক কনভিক্সন পীখ্রে। চহী ২২ শুরবী রিজলেনে বৌলার কৌবী মহাক্কী মচে অদু পুন্সিচুপ্পগী জেলগী চৈরাক পীখ্রে অদুগা মখোয়গী মমা মিনা দিচসু জুন থাদা অরোনবা থৌরাং অদু তৌবদা মাগী মচানুপীশিংবু মতেং পাংবগীদমক চহী ৬, থা ৯ জেলগী চৈরাক পীখ্রে।

মখোয়গী অরোনবা থৌরাংশিং অদু, খা লন্দনগী বৌক্সোলদা লৈবা মখোয়গী য়ূমদা মখোয়না ৱারী শান্নবা অদু ওনলাইন অন্দরকোভর এম আই ৫ ইন্টিলিজেন্স ওফিসারশিংনা তারবা মতুংদা খঙলকখিবনি।

২০১৬ বৌলারনা সিরিয়াদা চৎনবা হোৎনবগীদমক কষ্টদিদা লৈখ্রবা তুংদা মহাক্কী মচেদা টেরর এটেক অমগী প্লোট তৌনবা থবক শীন্নখি। অরোনবা ৱাহৈ-ৱাতাদা টেলিফোন তৌনদুনা মখোয়না থৌরাং অদুগী মতাংদা খন্ন- নৈনখি হায়রি।


# GAS TODAY

**Imphal LPG Service**
Booking : 12/07/18
Sl. No. upto 18332
Valid : 01/02/18
Stk : 306

**Misao Gas Service**
Booking : 25/06/18
Valid : 13/06/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 10.00 a.m

**K & K Indane Service**
Booking : 25/07/18
Sl. No. 200
Valid : 18/07/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 11.00 a.m


**সনা-সুদোকু -১২৪৯ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 4 | 6 | 7 | 2 | 8 | 3 | 1 | 5 | 9 |
| 1 | 9 | 5 | 4 | 6 | 7 | 3 | 8 | 2 |
| 8 | 2 | 3 | 5 | 1 | 9 | 4 | 7 | 6 |
| 2 | 1 | 4 | 3 | 9 | 5 | 7 | 6 | 8 |
| 3 | 5 | 8 | 6 | 7 | 2 | 9 | 4 | 1 |
| 9 | 7 | 6 | 8 | 4 | 1 | 2 | 3 | 5 |
| 5 | 4 | 9 | 7 | 2 | 8 | 6 | 1 | 3 |
| 7 | 8 | 2 | 1 | 3 | 6 | 5 | 9 | 4 |
| 6 | 3 | 1 | 9 | 5 | 4 | 8 | 2 | 7 |

# ট্রিপুরাদা এন আর সি গী দিমান্দ কনখৎখ্রে

***আগর্তলা, আগষ্ট ৫ ঃ***

অসামদা নেস্নেল রেজিষ্টার ওফ সিটিজন (এন আর সি) গী ফাইনেল দ্রাফ্ট ফোঙখ্রবগী মতুংদা ট্রিপুরাদসু এন আর সি দিমান্দ কনখৎলকখ্রে।

ইন্দিজিনস নেস্নেলিষ্ট পিপলস পার্টি ওফ ট্রিপুরা (আই এন পি টি) না অৱাংবা থাক্কী মীফম অমা পাঙথোক্তুনা ষ্টেট অসিদা হৌজিক ওইরিবা পোলিটিকেলগী ফিভম খন্নখ্রে। অশেংবা ইন্দিয়ান সিটিজনশিং মশক তাক্লবা ট্রিপুরাদা এন আর সি পাঙথোক্লবা মখোয়না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহদা তকশিন্নবা ৱারেপ লৌখ্রে।

আই এন পি টি জেনরেল সেক্রেটরি জগদিশ দেববর্মানা ষ্টেট অসিদা হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসি পোলিটিকেলগী ওইবা থবকশিং চথবদা অপনবা-অথিংবা ঙাক্তা ওইরি অমসুং হীরম অসিদা ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী ৱাখল্লোন অদু কন্দেম তৌই হায়খি।

পার্টিসিগী প্রসিদেন্ট বিজোয় কুমার রংখৱালনা লুচিংবা মীওই অহুমনা শাবা দেলিগেসন অমনা থা অসিগী অহুমশুবা চয়োলদা জিরিদা চৎকনি অমসুং ঙমখৈ ৱাংমদগী অচৌবা মওংদা মীতোপ কয়া লোন্না চঙশিল্লক্লিবা ট্রিপুরাদা এন আর সি থন্নবগীদমক প্রাইম মিনিষ্টর অমসুং য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরদা দিমান্দ তৌরদুনা মেমোরেন্দম অমা পিশিল্লগনি হায়খি।

অমরোমদা ট্রিপুরাদা গভর্ণমেন্ট পায়রিবা বি জে পি খোঙলোই অমসু ওইরিবা ইন্দিজিনস পিপলস ফ্রন্ট ওফ ট্রিপুরা (আই পি এফ টি) নসু ষ্টেট অসিদা এন আর সি থবক্তা ওন্থোক্লবা দিমান্দ তৌখ্রে।

ঐখোয়না চপ চানা এন আর সি বু তরান্না ওকই। অৱাং নোংপোক ইন্দিয়া খক্তদা নত্তনা লৈবাকসিগী অতৈ মফমশিংগা লোয়ননা ট্রিপুরাদা মসি থবক্তা ওন্থোক্লবা ঐখোয়না দিমান্দ তৌই হায়না আই পি এফ টি প্রসিদেন্ট এন সি দেববর্মানা হায়খি।

অদুবু ষ্টেট চীফ মিনিষ্টর বিপ্লব কুমার দেবনা ট্রিপুরাদা এন আর সি গী মরু ওইবা লৈতে মরমদি অসিগুম্বা ৱাথোক মফম অসিদা লৈতে হায়রি।

অতৈ ষ্টেটশিংগা মান্নদনা ট্রিপুরাদা লৈরিবা সিটিজনশিংনা ভেলিট দোকুমেন্টশিং লৈবনা ষ্টেট অসিদা এন আর সি গী মথৌ তাদে হায়না নাগপুরদা মহাক্না মেদিয়াদা ফোঙদোকখি। মহাক্তা নত্তনা হান্নগী মিনিষ্টর অমসুং সি পি আই (এম) সেনিয়ার কম্মিটি মেম্বর বাদন চৌধুরীনসু ট্রিপুরাদা এন আর সি পাঙথোকপগী মায়োক্তা লেপ্লি।

# হৌজিক ইকোনোমিক ওফেন্দরশিং লৈবাকসিদগী চেনখিবা ঙম্লরোই, অনৌবা এক্ট অমা প্রসিদেন্টনা অয়াবা পীখ্রে

***ন্যু দিল্লি, আগষ্ট ৫ ঃ***

ইন্দিয়াদা লীগেল প্রোসেস লানথোক্লবা হোৎনবা অমসুং লৈবাকসিদগী চেনখিনবা হোৎনবা ইকোনোমিক ওফেন্দরশিংবু থিংবা ঙম্লগদবা অনৌবা লো অমা প্রসিদেন্ট রামনাথ কোবিন্দনা অয়াবা পীখ্রে।



ফ্যুগিটিভ ইকোনোমিক ওফেন্দর অমা হায়বসি য়ামদ্রবদা লুপা ক্রোর ১০০ নৎত্রগা মসিদগী হেনবা শেনফমশিংগা মরী লৈননা খনগৎলবা ইকোনোমিক ওফেন্সশিংদা চেন্নবা অমসুং ক্রিমিনেল প্রোজিক্যুসন মায়োক্লদনবা ইন্দিয়া থাদোকখ্রবা মীওই অমা ফানবগীদমক ৱারেন্ট ওফ এরেষ্ট থোকখ্রবা মীওই অমবুনি।

দ ফ্যুরিটিভ ইকোনোমিক ওফেন্দরস এক্ট, ২০১৮ প্রসিদেন্টতগী অয়াবা ফংখ্রে হায়না ওফিসিয়েল ওর্দর অমা থোকখ্রে।

অনৌবা আইন অসিনা ভিজয় মল্লয়া অমসুং নিরব মোদিগুম্বা অচৌবা ইকোনোমিক ওফেন্দরশিংবু লৈবাক অসিদগী চেনখিবা অমসুং আইনগী লাংদগী নান্থোকখিবা থিংলগনি।

সেন্ত্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সি বি আই) না থিজিনবগী থবক চথরিবা কেসশিংদা ফাবা পান্নিবা মল্লয়া অমসুং মোদি অনীমক ইন্দিয়াগী মপান্দা লৈরি।

দেজিগনেটেদ স্পিসিয়েল কোর্টপু অনৌবা আইন অসিনা মীওই অমবু ফ্যুগিটিভ ইকোনোমিক ওফেন্দর ওইনা লাওথোকপা ঙমহল্লি অমসুং 'বেনামি' শিং য়াওনা মহাক্কী মরন-মথুম মৎপা ঙমহল্লি। অসুন্না মৎলবা লন-থুমশিং অদুগী হক অমসুং তাইতল পূন্নমক মৎনবগী ওর্দরগী নুমিৎ অদুদগী হৌনা সেন্টর গভর্ণমেন্টকী ওইরগনি, মদুদা এনকমব্রেন্সশিংগী অপনবা অমত্তা লৈরোই হায়না এক্ট অসিনা হায়রি।

দ ফ্যুগিটিভ ইকোনোমিক ওফেন্দরস বিল, ২০১৮ রাজ্য সভানা জুলাই ২৫ দা পাস তৌখি। মদুগী মমাঙ জুলাই ১৯ দা লোক সভানা পাস তৌখি। অচৌবা শেন-থুমগী মরাল লৈবশিংবু ফানবা এক্ট অসি পাস তৌবনি হায়না ফাইনান্স মিনিষ্টর পিয়ুশ গোয়ালনা হন্দক্তা পার্লিয়ামেন্টতা হায়খি।

ৱাফম অসি পল্লদুনা অনৌবা লো অসিগী প্রোভিজেনশিংনা কোনশিনগদৌরিবা লুপা ক্রো ১০০ গী ফাইনান্সিয়েল লিমিট অদু চুম্মী হায়খি।

# SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-1250**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | | 8 | | 2 | 7 | | |
| | 6 | | 3 | | | | 9 | |
| 3 | 4 | | | | | | 8 | 2 |
| | | 4 | 9 | 3 | | | | |
| | | | | 4 | | | | |
| | | 1 | 6 | | | 8 | | |
| 6 | | | 1 | | | | 7 | |
| | | | | | | | 5 | 3 |
| | | 8 | 7 | | 3 | | | 1 |